www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে



কবোকংনা ফুমজিন্দুনা তুরেলগী ঈশিং চেনবা ঙমদবদগী অহোবা মখুল অমখক্তা চেন্নবা নমখায়রকপদগী মতম অমদা হেক্তা নমথখিবা য়ানা লৈরবা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ইম্ফালগী থোং নম্বোনবী





এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্তশিংগী দিষ্ট্রিক্ত এগ্রিকলচর ওফিসারশিংদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর মশা য়াওনা লৌমীশিংগা উন্নদুনা ঈশিং ফং দবগী অৱাবা মায়োক্নরিবশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নবগী থৌরম



চালোং ভিল্লেজগী ফাউন্দর অমসুং এক্স চীফ দি থামনোক লমকাঙ সিমিত্রিদা লৈবা মোঙফমদা ফুমখিবা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু কনাগুম্বা খরনা কোখোক্লগা পুখ্রবা তুংদা পুলিসনা রেস্ক্যু তৌবগী শক্তম

Volume No: 43 Issue: 230 | IMPHAL WEDNESDAY 17 JULY, 2019 | য়ুমশাকৈশা, ইঙেনগী ১৬ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নশাগী নুংঙাইনবগী দায়ত্ব নশানা লৌজৌ অতোপ্পনা নহাকপু নুংঙাইহনগনি নীংলুনু নীংবা কায়বা য়াই

## অঙৈং—অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ৩১.৯° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ২১.৩° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৪.৩৫
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৬.০৬

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৯.৬৩
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬২.৫৫

TATA SKY FREE
32" LED + TATA SKY
(3 YRS WARRANTY) (MONTHLY RECHARGE ₹ 153)
₹ 12000
24" LED + TATA SKY
(1 YR WARRANTY) (MONTHLY RECHARGE ₹ 153)
₹ 9200
INTEX
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 7800
7.2 KG = ₹ 9200
8KG = ₹ 10200
7KG SPL. GODREJ = ₹ 10500
7.5KG SPL. GODREJ = ₹ 11500
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

INTEX
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 7800
7.2 KG = ₹ 9200
8KG = ₹ 10200
7KG SPL. GODREJ = ₹ 10500
7.5KG SPL. GODREJ = ₹ 11500
REFRIGERATOR
181 L GODREJ = ₹ 10600
190 LT SAMSUNG = ₹ 11400
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12800
200 LTR 3 STAR = ₹ 13000
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
24" LED (TV) = ₹ 8500
32" LED (3225) 3YRS = ₹ 11000
32" LED (3220) 1YR = ₹ 10500
40" LED = ₹ 19999
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

## লোইরেদনা

এদুকেসনদা মায় ওনশিন্দুনা অফবা খুন্নাই শেল্লসি...



অফবা ছাত্র পুথোকপা ঙমদবা তলব চাউবা ওজাশিং হান্না শেমদোকখিসিদনা...

## হেক্তা হায়জিনবা

### মথৌ করি লৈ

ইমুং মনুং খৎনবদা
লৈকাইগী মথৌ করি লৈ
এম এল এ ফম মুন্নবদা
লৈবাক্কী মথৌ করি লৈ
লৈঙাক কাংখোঙ চায়বদা
মীয়ামগী মথৌ করি লৈ
ওফিস পুমহাং হাংবদা
লৈঙাক্কী মথৌ করি লৈ
লৈঙাক্কী শেঙ্গাউ হাঙবদা
মন্ত্রিগী মথৌ করি লৈ
চউখৎ থৌরাং চপ লেপ্পদা
এম এল এগী মথৌ করি লৈ
নমসাগী চেঙ মাঙবদা
লায়রবগী করি মথৌ লৈ
চেঙ কে জিদা য়াঙ্খ্রে য়ৌবদা
মীচমগী মথৌ করি লৈ
লৌবুক্তা ঈশিং লৈতবদা
লৌমীগী করি মথৌ লৈ
মানা মানা থোকপা তৌনবদা
মখোয় মখোয়গী মথৌ করি লৈ

# পিছ টোক – য়ূম্লোন্নবা ষ্টেটশিংগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই: কিষন রেদ্দি

ইম্ফাল,জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন–আই এমগী মরক্তা চথরিবা পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা যুম্লোন্নরিবা ষ্টেটশিং য়াওনা ষ্টেকহোল্ডর খুদিংমক্কী ইন্টরেষ্ট শোকহন্দনবা মপুং ফাবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোম জি কিষন রেদ্দিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লোক সভাদা মণিপুরগী লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা অনষ্টার ক্বেসন ওইনা হং লকখিবা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং এন এস সি এন–আই এমগী মরক্তা ৱারী চথরকপা অসি চহী ২১ মপুং ফারে হায়বসি চুস্ত্রা, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট ২০১৫ অসিগী মীৎয়েংদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা চঙশিল্লিবা প্রোগ্রেস অদু খঙহনবীয়ু। মসিগী অরোইবা পোলিটিকেল সোল্যুসন লাকপা মতমদা য়ুম্লোন্নরিবা ষ্টেটশিংদা শাফু পীগদ্রা হায়না হংখি।

ৱাহং অদুগী পাউখুম পীরদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জি কিষন রেদ্দিনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন–আই এমগী মরক্তা ৱারী শান্নবা অসি কুমজা ১৯৯৭ তগী চথরকপনি। ৱারী অসিগী কান্নবা মপুং ফানা ফংলি। পিছ প্রোসেস অসিদা অতোপ্পা নাগা গ্রুপশিংসু য়াওশিল্লক্লি।

অমরোমদা ঙসি লোক সভাদা ইনি দয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট মনিস তিৱারিনা অনষ্টার ওইনা হংলকপা ৱাহং লৈঙাক অসিনা নাগা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রপশিংগা চথরক্লিবা ৱারী শান্নবা অসি হৌজিক করি থাক্তা লৈরিবগে, ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং নাগা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপশিংগী মরক্তা কুমজা ২০১৫ গী আগষ্টতা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদুগী মরিকচুম্বা ৱাফম অইবা ওইনা খঙহনবীয়ু।

হৌজিক চথরিবা নেগোসিয়েসন অসিদা য়াওরিবা এন এস সি এন–আই এম অমসুং অতে অন্দরগ্রাউন্দ নাগা গ্রুপশিংনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়ন্দগী তোখায়না তাবগী দিমান্দ অসি হনে দাকখ্রব্রা। চৎলিবা কুম জা অসিগী মার্চ ৩ দা পাউচে খরদা ফোঙনখিবা পান নাগা কলচরেল বোদি অমগীদমক নাগাশিংগী তোখায়বা ফিরাল লৈহনবা অমসুং হৌজিক তৌনরিবা য়ান্নচেরোল অসি অরোইবদা নাগা কন্সটিট্যুসন ওইনা শকখঙবগী ৱাফম লৈঙাক্না খন্নবা লৈব্রা হায়না হংখি।

ৱাহং অদুগী অইবা পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোম জি কিষান রেদ্দিনা হায়, নাগা পোলিটিকেল নেগোসিয়েসন অসি য়াম্না খুমাঙ চাউশিনবা ফিভম অমদা চঙশিল্লক্লি।

মখা লমায় ৩দা...

# সি এম : সেন্টরনা স্কুল ফগৎহনসি মিসন্দা শীজিন্নবা ক্রোর ১৯ পীরক্লে





ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ

স্কুল এদুকেসন হায়বসিনা খুন্নাই অসিগী য়াংলেন শরূ ওইবনা লৈঙাক অসিনা হীরম অসিদা অহানবা মীৎয়েং থল্লি, লৈঙাক্না পায়খৎলিবা স্কুল ফগৎহনসি মিসন অসিগীদমক বদজে টতা লুপা ক্রোর ২৪ হাপ্তুনা থম্বতা নত্তনা সেন্টরদগীসু লুপা ক্রোর ১৯ সেঙ্কসন তৌবিরক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুর অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ এদুকেসন (এস)না পুন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকপা ৪৬ অমসুং ৪৭ শুবা বোর্দ অসিগী চহীগী মনা মথুম য়েঙ্খোকপগী থৌরম অমসুং কুমজা ২০১৮–১৯গী ওইনা দাইরেক্টোরেট ওফ এদুকেসন এসনা পীবা চহীগী ইন্সেন্টিভ এৱার্দ খূৎশিন্নবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, মণিপুর লৈঙাক্না প্রাইভেট অমসুং গভর্ণমেন্ট স্কুল হায়না খায়দোকপগী ৱাফম লৈতে। অদুবু প্রাইভেট স্কুল অমদা মহৈরোই অমনা মহৈ তম্বদা চঙলিবা এক্সপেন্দিচর অদু শেন্মীৎলোন নেম্বা মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমদা পুবা ঙম্লক্তবনা ষ্টেট অসিগী মহৈরোই কয়া লাইরিক তম্বা ঙম্লক্তবগী ফিভম অমা লাক্লি।

মদু মেনখৎনবা লৈঙাক্না থৌরাং অমা ওইনা স্কুল ফগৎহনসি হায়বসি লৌখৎপনি। মসি লৈঙাক অসিগী মিসন অমা ওইনা চঙশিল্লিবা গো টু ভিলেজ অমসুং গো টু হিলস হায়না চঙশিনবা অসিদা থেংনরকপা কয়া অদুদা মহৈ তম্নিংলবসু তম্বা ঙম্লমদবা মহৈরোই কয়া থেংনরকখি।

মদুদগী লৈঙাক্না করিগুম্বা খরা তৌদবা য়াদ্রে হায়না খন্দুনা লৈঙাক্কী স্কুলশিং অসি ফ্রি ওইবনা স্কুলশিং অদুদা মীৎয়েং থল্লগা লাকপনি। মসি প্রাইভেট স্কুলশিংদা চৎপা ঙমহৌদবা কাঙবুগীদমক মসিগী থৌরাং অসি লৌখৎপনি। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোই ৱাৎপগী মরম থিরকপদা প্রাইমারি অমসুং প্রি প্রাইমারিগী থাক্তা মহৈ তম্নবা মফম লমদম অসিদা লৈরমখিদে। মদুগীদমক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি খুদিংদগী স্কুল অমমম খনগৎলগা মদুদা প্রি প্রাইমারি, প্রাইমারিগী থাক অসি হাপচন্নবা থৌরাং লৌখৎপনি।

মসিদা ওজা ওইনিংবশিং অসি এদভার্টাইমেন্ট থোক্তুনা কৌবা হৌখ্রে। মসিগী থবক অসি পায়খৎপদা শেলগী তঙাইফদবা লৈবা ষ্টেট বদজেটতা লুপা ক্রোর ২৪ হাপ্পগী মথক্তা সেন্টরদা বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী হায়জরুবদা সেন্টরনা লুপা ক্রোর ১৯ সেঙ্কসন তৌরক্লে। তেনলবা মতম অসিদা লৈঙাক্না করিগুম্বা খরদি তৌবা ঙম্লে হায়না লৌই। স্কুল এডুকেসন্দা হৌখিবা চহী ২ অসিদা মখা লমায় ৩দা...

# লুপা ক্রোর ১০০ রোমগী দ্রগ ফাখিবা পুলিস পার্সোনেলশিংদা মনা পীদুনা পূক্নীং থৌগৎখ্রে





ইম্ফাল,জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ

ইন্টর্নেস্নেল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ১০০ রোম ওইগদবা ময়াই কাবা দ্রগস (ব্রাউন সুগর) কয়া হৌখিবা জুন ২৯ দা ফাগৎখিবা অদুদা লুচিংখিবা অমসুং শরুক য়াখিবা মণিপুর পুলিস অমসুং এন এ বিগী পার্সোনেল ৫৯ না শাবা টিম অদুদা মখোয়বু পূক্নীং থৌগৎপা উৎপা ওইনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি লুপা লাক্ষ ১০ গী শেলগী মনা অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী কম্মেন্দেসন য়াওবা সার্টিফিকেট অমমম পীদুনা ইকায়খূম্নবা উৎখ্রে।

মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ঙসি ফার্ষ্ট বটাল্লিয়ন মণিপুর রাইফলসকী বক্যাইট হোলদা পাঙথোকখিবা মখা লমায় ৩দা...

# 'চৎন কাঙলোন ঙাক্তবা দুকানশিং থিংজিল্লগনি'

ইম্ফাল,জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ

অশোয়বা কয়ানা থল্লবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনবু লৈঙাক্না থা ৬ সসপেন্দ তৌদুনা থমখ্রবা মতুংদা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী মাহুদ দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট সেক্রেটরী কে এস ঐচ লেম্ববু অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা হাপ্লগা মথৌ তৌহনবা হৌরে হায়না মাহুদ অমসুং টাউন প্লানিংগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হায়, মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্টকী মতুংইন্না থা ৬ সসপেন্দ তৌদুনা থমখ্রবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনবু অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা হাপ্লগা চল্লাইনবগী য়াথং অদু ঙসি মাহুদ দিপার্টমেন্টনা থোকখিবনি।

মহাক্না হায়, মমাঙদা মাহুদ দিপার্টমেন্টনা আই এম সিগী মনুংদা লৈবা দুকানশিং অমসুং য়ূমশিংনা ঙাক্না চৎকন্দবা চৎন কাঙলোনশিং পীখিবা অদু ঙাক্তবা দুকানশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা হৌরগনি।



মিনিষ্টরনা হায়, কোর্পোরেসন অসিগী এরিয়াদা লৈরিবা দুকানশিংদা ফয়ার এক্সটিঙ্গুইসর খিন্নবা, দষ্টবিন থম্নবা অমসুং বিল্ডিং শাবদা মরি লৈনবশিংদগী এপ্রুভেল লৌদবা, দুকান অনীগী মরক্তা দুকান ফমজিনবা, দ্রেনেজ ফুনজিনবা, আই এম সিগী থিদোকফম থোকপা চহীগী রেভিন্যু থিদোক্তবা, দোর টু দোর কলেক্সন য়াওদবা, সোপ নম্বর লাইসেন্স পায়দবা দুকানশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলগনি হায়খি। মখা লমায় ৩দা...

## থোং নম্বোনবী নীংখায়খিগদৌরে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর এন্সিয়েন্ট এন্দ হিস্তোরিকেল মোনুমেন্ট এন্দ অর্কিলোজিকেল সাইট এন্দ রিমেন এক্ট, ১৯৭৬কী মখাদা কুমজা ১৯৯২দা ঙাক শেলগা থম্নবা মণিপুর লৈঙাক্না লাওথোকখ্রবা থোং নম্বোনবী লৈঙাক্না য়েংশিনবা ৱাৎপদগী শরুক খরা নীংখায়খ্রে, মসিনা মরম ওইরগা খুদক্তগী থোং অসি লাম্হোক লানশিন তৌবা থিংজিনখ্রে।

পুৱারীগী মতুংইন্না, থোং নম্বোনবী অসি মণিপুরদা চন্দ্রকীর্তিনা নিংথৌ ওইনা পানবা মতম কুমজা ১৮৫৪দা শাখিবনি। থোং অসি মতম অমদা মীয়াম্না খ্বায়রম্বন্দ কৈথেল কানবগী নম্বুল তুরেল লান্নবা য়াম্না মরুওইবা থোং অমনি।

থোং অসি কমদৌনা নীংখায়বা হৌরকপনো হায়বগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, নম্বুল তুরেল মথক্তা নোংপোক নোংচুপ ওন্না শারিবা থোং অসিগী মখোঙ অহুম লৈবগা লোয়ননা ঈশিং চেনফম অহোবা মখুল ৪ লৈরি। অদুবু হৌজিক থোং মখা লমায় ৩দা...

## চাইনিজ মচা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ

ইন্দো ম্যানমার বোর্দরগী মোরেদা লৈরিবা ইন্ট্রিগেটেদ চেক পোষ্ট (আই সি পি)দা চাইনিজ মচা অমা ঙরাং ফারে।

ফারবা চাইনিজ মচা অদুগী মমিং ফেং ৱৈফু (৪০) অপোকপা ফেং লিয়ান সুন কৌই। মহাক চিনাগী ঝে জিয়ানদগীনি হায়রি।

মহাক ঙরাং মণিপুররোমদগী ম্যানমার রোমদা চংনবা লাকপদা ইম্মিগ্রেসনদা পাসপোর্ট অমদি চে–চাং চেক তৌবদা প্রোটেক্তেদ এরিয়া পার্মিট (পাপ) য়াওরমদবদগী ফাবনি। মহাক্কী মথক্তা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি। মখা লমায় ৩দা...

## দ্রগকা কোন্ননা ৫ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ

নার্কোটিক্স এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোর্দর (নাব) অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ত পুলিস কম্মান্দোগী টিমনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী দ্রগকা কোন্ননা মীওই ৫ ফারে।

পুলিসকী চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১৩ গী নুমিদাং পুং ৮ রোম তাবা মতমদা ক্ষেত্রিগাও অৱাং লৈকাইগী এরিয়াদা অন্দরগ্রাউন্দগী এক্টিভ মেম্বর খরা চখোক চৎশিন তৌরে হায়বগী থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ত পুলিসকী কম্মান্দো টিম অমা হায়রিবা মখা লমায় ৩দা...

## চেঙগী ৱাথোক য়ানরে: সুসিন্দ্রো

ইম্ফাল,জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ

খুরাই এ সিগী মীয়ামগী থা ৬ কী পীফম থোকপা চেঙ ফংহন্দে হায়দুনা কেন্দ্র অসিগী মীয়ামগী চেঙ ফং হনগদবনি হায়না চঙশিল্লকপা খোঙজং ঙসি য়ান্নবা পুরকখ্রে হায়না এ সি অসিগী এম এল এ, এল সুসিন্দ্রো (য়াইমা) না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

খুরাই সাজোর লৈকাইদা পাউমীশিংগা উন্নবদা এম এল এনা হায়খি, মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লৈরকপা থা ৫ গী চেঙ অসি কন্ট্রেক্টর এসোসিয়েসন ওফ ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইগী প্রেসিদেন্ট মশা য়াওনা মীওই ৪ না শাবা টিম অমা লাক্লগা ফেয়ার প্রাইস সোপ কম্মিতি, জে এ সি এগেনষ্ট দি বোম ব্লাষ্ট এট খুরাই সাজোর লৈকাই অমসুং খুরাই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিতিগী প্রেসিদেন্ট য়াওরগা য়ান্নবা অমা পুরকখ্রে। মদুদা কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইরিবা মহাক মশামক্না ৱিটনেস ওইখি। মখা লমায় ৩দা...

## দিজমনিগী বেল কোর্টনা য়াখিদ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ১৬ (এস এন এস)ঃ

ফেসন দিজাইনর রোবার্ট নাওরেমগী অপোকপী নাওরেম রেখা মীহাৎকা মরী লৈননা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথদুনা লাকখিবা মহাক্কী মপুরোইবা নাওরেম দিজমনিবু মহাক্কী কাউন্সেলনা মেডিকেল গ্রাউন্দা বেল থারকখিবা অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটনা য়াখিদ্রে।

ঙসি চথখিবা হিয়ারিং অদুদা প্রাইম একুজ ওইরিবা দিজমনিগী কাউন্সেলনা থারকপা বেলগী এপ্লিকেসন অমদি কেস অসিগী ১০ না মখা লমায় ৩দা...

